হীরম খূদিংদা চাউখৎপা উরিপোক এ সী ওইহন্নবা কখোক্তুনা থবক তৌগনি : আর কে রানিসনা

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): হীরম কয়াদা শোত্থদুনা লৈরিবা উরিপোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসি হীরম খূদিংদা চাউখৎপা উরিপোক এ সী ওইহন্নবা মীয়ামগীদমক লৈজবা পুম্নমক কখোক্তুনা থবক তৌগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা উরিপোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা আর কে রানিসনানা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক এ সীগী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈরিবা অহল ওইরবশিংদা নিংথম খুদোল তমদুনা য়াইফ মঙ্গোল নীবগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় অমদি খ্বাই ব্রহ্মপুরদা লৈবা য়ুমথোঙ কয়ামরুমদা হকথেংননা চৎতুনা মশাগী চহী ৮০ হেল্লবা অহল ৪৬তা নিংথম থাগী কম্বল খুদোল তল্লদুনা আর কে রানিসনানা থৌনিখ্রে। থৌনিখিবা অদুগা মরী লৈননা মথক্কী ৱাফম অসি আর কে রানিসনানা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, উরিপোক এ সীদগী নুপী পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা পোলিটিকেলগী লমদা খোঙদারকপা অসি চহী ৩৫ রোম শুরে। মমাঙ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন অমসুং কাউন্সীল্লর ওইখ্রে। শাংলবা মতম অসি এ সী অসিগী মীয়ামগা তোৎন-তীন্নদুনা ঙসি ফাওবদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। এ সী অসিদগী মীহুৎ ওইখিবশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া নীংথিনা তৌরমদবনা হৌজিক উরিপোক এ সী অসি ফীভম কয়াদা শোত্থদুনা লৈরিবনি।

এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ইমুং কয়াগী শেল-থুমগী ফীভম অসুক্কী মতিক ফৎতে। মহৈ-মশিন নীংথিনা হৈরবা নহা কয়া থবক ফংদনা লৈরি। লম্বী-থোং, ইরম-নালাগী ফীভমশিং ফৎতবনা চৎথোক-চৎশিন্দা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। এ সী অসিবু হীরম কয়াদা চাউখৎপা পুরক্নবা অমদি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু য়াইফননবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মায় পাক্না পাঙথোক্লনবা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইননবা থোক্লকপনি। মীয়াম্নসু উরিপোক এ সীদগী অমুক্তংদি নুপী মীহুৎ ওইনা এসেম্ব্লীদা থাগৎপীয়ু। উরিপোক এ সীবু হীরম কয়াদা চাউখৎপা এ সী অমা ওইহন্নবা মীয়ামগা লোয়ননা অঙন্বা থাক্তা হোৎনজগে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লাইশোম সন্তোশনা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): রিমস হোস্পিটালদা হৌজিক হৌজিক লায়েংদুনা লৈরিবা ইম্পেক্ট টি ভিগী সিনিয়র ভিদিও জর্নেলিষ্ট নামৈরাকপম বিশ্বজিৎ এলিয়স তাতোনদা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী মীখলদা কৈশামথোং এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

লাইশোম সন্তোশনা রিমস হোস্পিটালদা হকথেংননা চৎতুনা ভিদিও জর্নেলিষ্ট তাতোনগী লায়েংবদা মতেং ওইননবা অঙন্বা শেলগী মতেং অদু খুৎশিন্নখিবনি। তেংবাঙখিবগা অদুগা মরী লৈননা লাইশোম সন্তোশনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মীদিয়াগী লমদা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। লৈবাক অমা চাউখৎহনবদা জর্নেলিষ্টশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। জর্নেলিষ্টশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা মহাক্কী মায়কৈদগী ঙসি অঙন্বা মতেং পাংবনি। লমদম অসিগী অমসুং লৈবাক্কী ওইরবা লুরবা তাঙ্কক কয়াদা জর্নেলিষ্টশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ভিদিও জর্নেলিষ্ট তাতোনসু অথুবদা অনাবা ফরক্তুনা হান্নগুম্না মীয়ামগী থৌগল নীংথিনা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাইরিক ফোঙলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১দা আর কে নির্মলানা ইবা শৈরেংগী লাইরিক *তেংথারিব্রা ইমা* হৌনবী মতুংইন্না মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙলগনি। থৌরম অসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমীগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাং অমসুং সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী শরতচান্দ থিয়ামনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুকয়াগনি। অদুগা এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. ৱাহেংবম কুমারীনা লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়না পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জন জাগরন আভিয়ানগী থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা শীন্দুনা নবেম্বর ১৪দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা লেপ্তুনা চত্থরকপা জন জাগরন আভিয়ানগী থৌরম ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী ওইনসু ঙসি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস পার্টিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রগী ষ্টিয়রিং কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা জন জাগরন আভিয়ান কেম্প্যেন লোইশিনবগী রেল্লি অদু ককচিং সী ঈ এ এস সী এ হোলদগী হৌদুনা ককচিং কৈথেল মচা ফাওদুনা চৎলবা মতুং ককচিং ময়াই লৈকায়দা লৈবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়েংখোম নিলাচন্দ্রগী য়ুম ফাওবা চৎখি।

দিষ্ট্রিক্ত কোংগ্রেস কম্মিটি ককচিং, ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি ককচিং, মহিলা কোংগ্রেস ককচিং অমদি এন এস য়ু আই ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মকোক থোংবা থৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা ঙসিগী রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না পোৎ-চৈগী মমল হন্থহল্লু, থাউগী মমল হন্থহল্লু, গ্যাসকী মমল হন্থহল্লু, য়ুথশিংগী থবক পীয়ু, নহারোলশিংগী য়েক্লবা বি জে পিনি, লৌমীগী য়েক্লবা বি জে পিনি, বি জে পিগী লৈঙাক মুখৎলসি, এদ্যুকেসন প্রাইভেটোইজেসন য়ানিংদে, কোংগ্রেস লৈঙাক হঞ্জিলহল্লসি, লোং লিভ কোংগ্রেস পার্টি হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউদুনা চৎখি।

তুংদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়েংখোম নিলাচন্দ্রগী য়ুমদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা বি জে পি লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংবু য়ানিংদবা, পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরদা কোংগ্রেস লৈঙাক অমুক হন্না লাক্লবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্ননবা অপাম্বশিং ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ত কোংগ্রেস কম্মিটি ককচিংগী প্রসিদেন্ট ঈ মংলেম, ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি ককচিংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহল, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাই নিলাচন্দ্র, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এক্স-চ্যেরপর্সন এম ইনাখুনবী অমদি এন এস য়ু আই ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী প্রসিদেন্ট কবির অহমদনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

স্কোলারশিপকী ফোর্ম সবমিসন তৌবগী মতম শাংদোকপীননবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ও বি সী, মাইনোরিটি অমসুং এস সীগীদমক ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা মতম শাংদোকপীননবা ওল মণিপুর অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম ও বি সী দব্লিয়ু এ)গী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী মাইনোরিটি, ও বি সী অমসুং এস সী দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

এ এম ও বি সী দব্লিয়ু এগী সেক্রেটরি এল নুতনকুমার মৈতৈনা খুৎয়েক পীরগা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিংদি, ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিংনা মখল কয়ামরুমগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। স্কুল অমদি কোলেজশিংদগী মহৈরোয় কয়ানা সর্টিফিকেট অমদি মার্কসিট লৌননবা হোৎনবদা, কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা, বন্দ অমসুং ব্লোকেদনা, মহৈরোয়শিংনা স্কোলারশিপকীদমক মথৌ তাবা চে-চাংশিং সাইবরগী খুথাংদা অপলোদ তৌননবা হোৎনবদা অমদি বেঙ্কশিংদা একাউন্ট হাংদোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা থেংনরি। ফীভমশিং অসিবু দিপার্টমেন্ট ওফ ও বি সী এন্দ মাইনোরিটিনা কুপ্না খন্নবীদুনা ষ্টেট অসিগী লায়রবা মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা স্কোলারশিপ ফংন্নবগীদমক স্কোলারশিপকী ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা মতম অসি শাংদোকহনবীয়ু হায়রি।

ভি দি এফ পর্সনেল অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ভি দি এফ পর্সনেল ১ কান্টো সাবল ইঙৌরোক লম্পাক্তা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরক্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা ভি দি এফ পর্সনেল অদুগী মমিং হাওবিজম সুনিলকুমার (৩০) কৌই। মহাক তিঙ্গিদ্দগীনি। হৌজিক্না লৈমখোং চীংখোংদা লৈবা পুলিস আউট পোষ্টতা এটেচ তৌদুনা লৈবনি হায়রি।

ইরেংবম নলিনিবু লাক্লিবা মীখলদা মায় পাকহন্নবগীদমক নোংমগী ওইবা পব্লিক মীটিং পাঙথোকখ্রে

PUBLIC MEETING
IRENGBAM ONGBI NALINI @ MEMA DEVI
INTENDING CANDIDATE, 25-OINAM ASSEMBLY CONSTITUENCY
POLLING-A KHOIJUMAN
POLLING-B-1 KHOIJUMAN

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়না পান্নরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা ওইনাম এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবী ইরেংবম ওংবী নলিনি এলিয়স মেমাবু মীখলদা মায় পাকহন্নবগীদমক নোংমগী ওইবা পব্লিক মীটিং অমা খোইজুমান ৱার্দ নম্বর টুগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইলেক্সন দিভেলপমেন্ট কম্মিটি খোইজুমাননা শীল্লগা বিষ্ণুপুর গার্লস হায় স্কুলগী রিটায়র্দ হেদ মাষ্টর লৈতাঙ্থেম বাবুয়াইমনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পব্লিক মীটিং অদুদা ওইনাম এ সীদা মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবী ইরেংবম ওংবী নলিনি, কৈনৌ জেদ পি মেম্বর নিংথৌজম সমানন্দ, সোসল ৱার্কর টি ঐচ ইবোয়াইমা, সোসল ৱার্কর পি শান্তি, কৈনৌ জি পিগী হান্নগী প্রধান হোমেশ্বর ৱাহেংবম, ঈ সী সী ওইনাম এ সীগী চ্যেরমেন অমসুং রিটায়র্দ জেদ ঈ ও ওইনাম তোম্বনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পব্লিক মীটিং অদুদা খোইজুমানদগী হান্না তোঙান তোঙানবা পার্টিদা শৌগৎলম্বা ইমুং ৮০ রোমগী মীওইশিংনা ইরেংবম নলিনিদা নৌনা শৌগৎলকপদা লেংয়ান ফি য়ান্দুনা তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইরেংবম ওংবী নলিনিনা হায়খিবদা, করিগুম্বা এ সী অসিগী মীয়াম্না নুংশিবীদুনা লাক্কদৌরিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা মায় পাকহল্লবদি এ সী অসিদা লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনবদা নত্তনা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদসু থবক পীননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। লোয়ননা এ সী অসিদা চাউখৎপা পুরক্নবা মীয়ামগা তান্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট ‘ওমিক্রোন’

লৌশিং পুক্কে

ঐখোয়না কয়াম কিনিংঙাই ওইবগে? এক্সপর্টনা করি হায়রি



নোভেল কোরোনাভাইরস অহানবা থোক্লকখিবা মতমদগী অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং অমসুং ম্যুটেসনশিং থোক্লকপা লেপত্রি, ভেরিয়ন্ট ময়াম মরক্তগী দেল্টা ভেরিয়ন্টনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরি।

হৌজিক অমুক ‘ওমিক্রোন’ হায়না মিংথোনবা অনৌবা কোভিদ ভেরিয়ন্ট অমা মালেমদা খোঙদাররে। সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হানবা ওইনা থেংনখিবা বি.১.১.৫২৯ ভেরিয়ন্ট অসি অসুক্কী মতীক খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়রি। সাউথ অফ্রিকাদা ইখঙ খঙহৌদনা কোভিদ পেসেন্টশিংগী মশিং খঙয়াম য়ামখৎলকপদুনা মরম ওইরগা, অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসি শন্দোকপা ঙম্বগী চাং অদুক্কী মতীক ৱাংই হায়না এক্সপর্টশিংনা থাজরি।

এক্সপর্টশিংনা থাজরিবা অসিগা চপ মান্ননা এইমসকী চীফ ডা. সন্দিপ গুলেরিয়ানসু অনৌবা ইন্টর্ভিয়ুশিংদা ৱাখল্লোন ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মগুনশিংগী মতাং অমদি হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিনশিং অসিগী প্রোগ্রেসতা মসিনা করম্না ইথিল পীগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না বি.১.১.৫২৯ অসিবু ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন (ভী ও সী) অমা ওইনা লাউথোকখ্রে। ‘ভেরিয়ন্ট ওফ ইন্টরেষ্ট’ (ভী ও এল) হায়রম্বদগী ‘ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন’ (ভী ও সী)দা য়াম্না থুনা চোংখিবা অসিমক মিপাইনিংঙাই ওইবগী মরম অমনি হায়না এক্সপর্টশিংনা উরি, মরমদি অনী অসিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অসি অসুক্ক মতীক পাক চাউই অমদি শীংথানিংঙাই ওই।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না ভেরিয়ন্ট ওফ ইন্টরেষ্টকা চাংদম্নবদা ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন অসিনা ‘শে দাক্কনবগী চাং হেনগৎপা, লায়নাগী শাথিবগী চাং হেনবা (খুদম ওইনা, হোস্পিটালাইজেসন নৎত্রগা শিবগী চাং হেনগৎপা), হান্নগী ইনফেক্সন নৎত্রগা ভেক্সিনেসননা পুথোকপা এন্টিবোদিশিংনা ন্যুট্রেলাইজেসন তৌবগী চাং য়াম্না হন্থবা, ট্রিটমেন্ট নৎত্রগা ভেক্সিনশিংগী ইফেক্টিভ ওইবগী চাং হন্থবা, নৎত্রগা দাইগ্নোষ্টিক দিটেক্সন ঙমদবনচিংবগা মরী লৈনৈ।

ডা. গুলেরিয়াগী মতুংইন্না, অনৌবা ভেরিয়ন্ট ওমিক্রোন অসি স্পাইক প্রোটিনদা ম্যুটেসন ৩০ গী মথক্তা য়াওই, মখোয়শিং অদুনা ‘ইম্যুনদগী নাম্থোকপা ঙম্বা মেকাজিনম অমা দিভেলপ তৌবদা মতেং পাংই হায়রি।

স্পাইক প্রোটিন হায়বসি ভাইরস অমবু মহাক্না হোষ্ট সেলদা চঙবা য়াহল্লিবা কম্পাউন্দ অদুনি অমদি হেন্না শন্দোক্লল্লিবা অমদি ইনফেক্সিয়স হেন্না ওইহল্লিবদুসু মসিননি। মসি ওইদুনসু, স্পাইক প্রোটিনদা ম্যুটেসনশিং লৈবদুনা মখোয়বু দিটেক্ট তৌবা অমদি মাঙহনবদা হেন্না লুনা থোকহল্লি।

কোভিদ ভেক্সিন অয়াম্বা স্পাইক প্রোটিনগী মায়োক্তা এন্টিবোদিশিং পুথোক্লবা দিভেলপ তৌবা ওইরগসু, স্পাইক প্রোটিন অদুদা ম্যুটেসন মশিং য়াম্না য়াওবনা ভেক্সিনশিং অদুবু ইফেক্টিভ ওইবগী চাং হন্থহন্দুনা ইফিকেসিদা হন্থহল্লকই।

ওমিক্রোন অসি হেন্না শন্দোক্লল্লি হায়বা উৎপা দেটা অমতা লৈত্রগসু, অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিগী হৌরকফম ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাদা ইখঙ খঙহৌদনা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খঙৱাং ৱাংখৎলকখ্রবা মতুংদা, এক্সপর্টশিংনা মসি শন্দোক্লনবগী চাং ৱাংবা হেনগৎলক্লম্বা য়াই হায়না থাজরি।

হৌজিক্কী ওইনদি, দেল্টা ভেরিয়ন্ট অসিনা সার্স-কোভ-২ ভাইরসকী খ্বাইদগী হেন্না পাক শন্না শন্দোকপা ষ্ট্রেন ওইদুনা লৈরি।

ইন্টর্ভিয়ু অমদা ডা. গুলেরিয়ানা হায় মদুদি, দেল্টা ষ্ট্রেন অমসুং ওমিক্রোন ভেরিয়ন্ট অনী অসিগী মরক্তা থোইদোকপা মশক থোকপা খেন্নবা লৈতে। অনীমক অসি লাইহৌ, খৌনাউ নাবা, চোকথবা, কোক চীকপা অমদি খরা হেন্না ফিভম শোকচিল্লগনা নীংশা হোনবা ৱাবা, থবাক নাবনচিংবা য়াওনা মান্নবা সিম্পটমশিং উৎলি হায়না থাজনরি।

অদুমওইনমক, দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুংইন্না, ‘ওমিক্রোন’দদি রিইনফেক্সনগী রিস্ক হেনগৎলকপা য়াই হায়না প্রিলিমিনরি দেটানা উৎলি হায়রি। মসিনা তাকপদি হান্না মমাঙদা কোভিদ-১৯না নাখ্রবা মীওইশিং অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা হেন্না লায়না অমুক হন্না নাহল্লকপা য়াই হায়বনি।

কোরোনাভাইরস শন্দোকপা নেমথহনবদা কোভিদ ভেক্সিনশিংনা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি, ভেক্সিনশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌবদা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

অনৌবা কোভিদ ভেরিয়ন্ট ওমিক্রোন অসিগী স্পাইক প্রোটিনদা ম্যুটেসন ৩০গী মথক্তা য়াওবনা হকশেলদা খুদোংচাদবা থোকহন্নবগী অচৌবা সোর্স অমা ওইরে। ভেক্সিনশিং অসি ভাইরস অসিদা য়াওরিবা স্পাইক প্রোটিনশিংগী মতুংইন্না য়েংলগা মদুবু দিটেক্ট তৌনবা অমদি ন্যুট্রেলাইজ তৌনবা দিভেলপ তৌবা মরম্না, স্পাইক প্রোটিন অসিদা ম্যুটেসন ময়াম য়াওবসিনা ভেক্সিনশিংনা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংবু আইদেন্টিফাই তৌবদা ৱানা থোকহন্দুনা ইনফেক্টিভ ওইবগী চাং হন্থহল্লি।

ইন্টর্ভিয়ু অমদা ডা. গুলেরিয়ানা সজেষ্ট তৌখি মদুদি, অনৌবা ভেক্সিনশিং শেমগৎপা মতমদা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংগী মতুংইন্না য়েংলগা শেম্বা য়াই। ভাইরসশিং অসি ম্যুটেট অদুম তৌরক্কদবা মরম্না, সার্স-কোভ-২ ভাইরস অসিসু অতোপ্পশিংগা খেন্নদে। হৌজিক্কী ওইনা মশিং য়াম্লবা কোভিদ ভেরিয়ন্টশিং মালেম অসিদা লৈরি। এক্সপার্টশিংনা থাজে মদুদি, কোভিদ ভেক্সিনশিংসু ইনফ্লুএঞ্জা সোটশিংগুম্না অপদেট তৌবা মথৌ অমা তাবা য়াই। মোদর্নানা ওমিক্রোন ভেরিয়ন্ট ভেক্সিন মথং চহীগী অঙনবা শরুক ফাওবদদি লৈরবা য়াই হায়খ্রে।

ভেক্সিনগী ৱা নত্তবদা, মীয়াম্না চেকশিন্না লৈনবা হেল্থ প্রোফেসনেলশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা পাউতাক পীরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লমদম অসিগী লুচিংবা ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং ঐখোয়নসু পাঙথোকফম থোকই

লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা লুচিংপুরেল ওইরিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মঙলম্বা অনৌবা মণিপুর ওইবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয়না হোৎনফম থোকই। শুপ্নগী মহাক্কী মপোক নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়া পাঙথোকপনদি মহাক্কী মঙজরম্বা মঙলান অদু পাঙথোকপা ঙম্লোই। ঙসিদি মহাক্কী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা নুমিত্তা মহাক্না পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং অমদি মঙজরম্বা মঙলানশিং অদু মতৌ করম্না ওইথোক্লবা হোৎনসিগে হায়বগী মহুত্তা অয়াম্বনা হরাও-কুম্হে ওইনা পাঙথোক্লবা য়াওদবসু নত্তে। ঐখোয়না খন্থমিন্নবা চুমগনি মদুদি লাইরমলেনদগী হৌজিক্কী মণিপুরদা ওইরিবা ফিভমশিং হায়বদি শেমীৎলোন, লৈঙাক্লোন, মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমদি চাওখৎপগী লম্দা থিন্থরিবা অসি উরুবদা শোয়দনা নুংঙাইতবা ফাওরমগনি। মসিগী মথক্তা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্ননা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা চাওখৎপগী লমজেলদা চঙশিনবগী মহুত্তা অমনা অমবু চিংথনবগী চৎনরিবা কাঙলোন অসি তঙায় ফদনা শেমদোকপগী মথৌ তারি। ঐখোয় মণিপুর কনামত্তনা লাক্লগা চাওখৎনবা থবক থৌরম পায়খৎপীরোই। শুপ্নগী ঐখোয় মণিপুরীশিংনা তৌজবা নত্তনা । অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়না খঙমিন্নদুনা হৌজিক্তগী হৌনা থবক তৌহৌদ্রবদি তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক্তা চাওনা মাঙজবা ওইহৌরগনি।

❐ তোম্বা নাওরেম, হৈরোক কবো লৈকায়

ষ্টেট অসিদা চেল্লিবা বসশিং মতমগা চুনবা মওংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নিংই

ষ্টেট অসিদা বস সর্ভিস তৌরিবশিং অসি মতমগা চুনবা মওংদা মপান লমদদা পীরিবা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নিংই। লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু বসকী মপুশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি মখোয়না লমদম অসিদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসনসু খঙবা মথৌ তাই। পেসেঞ্জরশিংগী অপাম্বশিং ফংহন্নবগীদমক বসশিং মমল য়াম্লবা মচুনা লৈতেংবা কম্ফোর্টেবল ওইবা ভি আই পি টাইপকী সিটশিং হাপ্পা, অৱা পোত্থানবা মমল য়াম্লবা টি ভি হাপ্পা, লাইফ প্রোটেক্সনগীদমক বস অদুগী সিট কেপাসিটি অদুদগী ইন্সুরেন্স কম্পনিশিংদা চহীদা লুপা ৫০,০০০ নৎত্রগা লুপা ৬০,০০০ ফ্রীদা থীবা, লাইরিক তল্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক গাড়ী অতোংমল চাদা ২৫ হন্থনা লৌবা অমদি শোয়নাইরবশিং অমসুং শান্নরোয়শিংগীসু গাড়ী অতোংমল হন্থনা লৌবগা লোয়ননা গাড়ী অতোংমল য়াওরক্তবা মীওইশিংসু করিগুম্বা মতমদা লেম্না তোংহন্দুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরি। অদুবু বসকী মপুশিংনা থাওগী মমল তাংখৎলকপা মরম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লদবসু নত্তে। হৌজিক্না থাওগী মমল খর’মুক হোংথরক্লে। অসিগুম্বা থাওগী মমল অকা-অকুম তৌরিবা অসিগী মতুং ইন্না মতম মতমগী ওইরিবা থাও মমলগী মতুং ইন্না লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা গাড়ী অতোংমল মতম মতমগী ওইনা লেপ্পা মথৌ তাই নৎত্রবদি বস মপুশিংদা অমদি গাড়ী তোংলিবা পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তসু অচৌবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগী থৌদোক ৱাথোক থোক্লি। মরম অদুনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতম মতমগী ওইবা অহোংবা লাকপদা খূদক্কী ওইবা মীৎয়েং চঙদুনা গাড়ী অতোংমলগী লৌগদবা ওর্দর থোকহন্নিংই।

❐ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।১১।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা;
হিয়াঙ্গৈগী ২৬ নি পানবা।

মেষ: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি ৱাঙাং হৈত্রদি চোপ্পা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু অনৌবা থৌরম পাঙবা, শেন্দোং তানবা থবক অমদি পল্লম্বা শেল ফংবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: পুক্লিং ফাথনা অমদি চরাংনবা য়াওদনা লৈগদবা নুমিৎনি। হান্নদগী পাঙলকপা থবক্তদি অকায়বা লৈরোই। মীতোপ লোয়নবা লুই, অঙন্বনা য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নিংহন্নগনু, কিগনু অমদি মী ঙাইগনু-মদুনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। য়েক্লবা য়াম্মী ঈরাং পুগনু, খুৎ চাওগনু অমদি মীরক চঙবা চেকশিন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা, মীচঙ খোম্বদা চাওনা মায় পাকচবা অমদি অনৌবা আশা লাকপা নুমিৎনি। ফিংবা, হন্থবা লোয়নবা অমদি নোল্লুকপা ৱাৎপনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: অফবা মীংচৎ ফংজৈ, অয়েৎপা চেল্লন্নসু ফরনি অমদি লৌশিং ফুদোকপা ঙম্বা অফবা নুমিৎনি। অরুবা খন্নবদা ৱা তুপ্পা ঙমগনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: ৱাখল নুংঙাইনা অনিংবা থবক পাঙবা য়ারনি। ৱানোম্বা য়াগনি, নরল চাওখৎকনি অমদি মীয়ামগী মতেং পাল্লদি ফংগনি। অদুবু হুরানবনা শেন্নে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: অনম তানবা অমদি হোয়া ফবনা নরল মাঙবতা থংগনি-থাজদবা তৌগনু। হকচাংদি নুংঙাইবা হেনগনি, মীরক্তা লৈরগা নুংঙাই অমদি অফবা মফম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: অকল অথৌগী লমদা কাইনবা নংগনি-মরম চাদনা থৌনা ফুদোক্কনু। মীংচৎতি হেন্না ফংজগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। তুংগী পো-লাংবা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: থবক পাঙগনি, ৱাখল ঙসিসু থোক্কনি অমদি পাউ নুংঙাই-নুংঙাইবা তাজগনি। অদুবু লৌশিংদি ৱাৎপনা পুক্লিং ৱাগনি অমদি য়েৎনবদা মাংজনি-থিবা কনখো।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচঙ ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: মীপাইবা, চরাংনবনা কান্নফম খঙদবা অমদি চিংনবা য়াম্না লৈ। মীতোপ খন্দোকপা হৈয়ু। ইচঙ থৌবনদি ওইজ-ওইথক ফংগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ভ: থৌনা লৈউ, কিগনু অমদি নিংহন্নগনু-মায় পাকপা হায়বদো নঙোন্দা লৈরবনি। মীকিথি ওইনা লৈরদি মতম মাঙদুনতা তোক্লনি। মরম খঙদনা হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন: নিংবদুমক পাঙগনি-অফবা থবক পাঙহৌরো। লল্লোন ইতিক্কী লমদদি লম্বা লৈতনা মায় পাক্লনি। শেল ফংগনি, মীচৎসু তানবা য়াগনি অমদি ঙাংবা হৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।